# রসিয়ানা বেলারসতা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং থম্লগনি হায়না পুটিননা লাউথোকখ্রে




মোস্কো, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
যুক্রেনদা মিলিটরিগী মতেং পীবা হেনগৎলক্কিবা নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা ৱার্নিং পীবগা লোয়ননা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা যুমথংনরিবা বেলারসতা মহাক্কী লৈবাক্কা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং থম্মনবা থৌরাং তৌরি হায়না থাংজ নুমিত্তা লাউথোকখ্রে।

প্রসিদেন্ট পুটিননা ফোঙদোকখিবদা খোঙথাং অদু বৃটেননা হৌখিবা চয়োলদা দিপ্লিটেদ যুরেনিয়ম য়াওবা আর্মর খুৎলায়শিং পীননবা ৱারেপ লৌখিবদগী লাকপনি। টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং অসি বেটল ফিল্ডদা শীজিন্ননবগীদমক্তা শাবনি অমসুং খুৎলায়শিং অসিগী তেল্লি অমসুং অশানবা মিসাইলশিংদা ফিট তৌবা হেন্না মতিক ময়াই লৈরবা ন্যুক্লিয়র ৱারহেদশিংগা চাংদম্নবদা য়িল্ড নেম্মী।

রসিয়ানা বেলারসতা থাগদৌরিবা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং অদু মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌগনি অমসুং খুৎলায়শিং অদুগী ষ্টোরেজ ফেসিলিটিশিং শাবগী থবক জুলাই ১ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা লোইশিনগনি হায়না পুটিননা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক মহাক্না বেলারসতা রসিয়ানা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় কয়া য়াম্না থমগদগে হায়বদুদি পনখিদে। যুএস গভর্ণমেন্টনা থাজরিবদি রসিয়াগী টেক্টিকেল এয়রক্রাফটনা পুবা য়াবা বোমশিং, সোর্ট-রেঞ্জ মিসাইলশিংগী ৱারহেদশিং অমসুং আর্টিল্লরি রাউন্দশিং য়াওনা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায় ২০০০ রোম লৈ হায়বসিনি।

প্রসিদেন্ট পুটিননা মহাক্কী আর্গুমেন্টদা হায়রি, মদুদি বেলারসতা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং দিপ্লোই তৌবনা রসিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংদগী হন্থদনা রসিয়ন খুৎলায়শিং মতম চানা অমসুং মফম চানা দিপ্লোই তৌবা ঙমগনি। যুএসকী বেলজিয়ম, জমর্নি, ইটালি, নেদরলেন্দস অমসুং টর্কিদা বেজ তৌবা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় কয়া লৈ হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পুটিননা মখা তানা হায়খি, মদুদি রসিয়ানা থাংলক্লিবা খোঙথাং অসি যুএসনা লিশাং শিংনা চখ্থদুনা লাক্লবনি। ৱাশিংতন্না অকক্লবা মীচং লৈবাক খরদা অসিগুম্বা খুৎলায়শিং মতম কয়াগী মমাঙদগী দিপ্লোই তৌদুনা অমদি লোঞ্চ প্লেটফোর্মশিং শেম শাবগা লোয়ননা মখোয়গী ক্রুশিং ট্রেনিং পীবগী থবক চখ্থদুনা লাক্লি। ঐখোয়না তৌগদৌরিবা অসি অমেরিকনশিংনা মতম শাংনা তৌদুনা লাকপা অদুমক্কি হায়না পুটিননা ষ্টেট টেলিভিজনগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, রসিয়ানা মসিগী টেক্টিকেল খুৎলায়শিং লৈবাক অসিগী টেরিটরিদা লৈবা দেদিকেটেদ দিপোশিংদা থমদুনা লাক্লি। টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা খরদি বেলারসকী ষ্টোরেজ ফেসিলিটি অমদা থম্বনা যুক্রেনগী কনফ্লিক্ট অসিদা হেন্না কন্নবা ইমর্জেন্সিগী ফিভম অমা লাকপা মতমদা খুৎলায়শিং অদু মফম অদুদা হান্নদগী দিপ্লোই তৌরিবা রসিয়ন এয়রক্রাফট অমদি মিসাইলশিংদা হেন্না নকশিলহল্লগনি হায়রি।

রসিয়াগী হকচিনবা ৱাখল চেনবা কম্মেন্টেটর খরনা ক্রেমলিনদা টেক্টিকেল ন্যুক্লিয়র খুৎলায়শিং মখোয়বু শীজিন্নবগী মতাংদা শেম শাদুনা লৈ হায়বগী ইঙ্গিৎ অমা নোংচুপলোমদা পীননবা খুৎলায়শিং অদুবু হান্নদগী দিপ্লোই তৌরিবা মরী লৈনবা খুৎলায়শিংগা নকশিন্ননা থম্ম নবা তকশিনবা লৈখ্রবনি। পুটিনগী ৱাফম অসিনা করি লাকহনবা য়াবগে হায়বদু কুপ্না য়েংশিল্লগনি হায়না যুএসনা ফোঙদোকখ্রে।

# হোন্দুরাসনা টাইৱানগা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনরগা চাইনাগা ওইনা মরী থম্নখ্রে

টাইপৈ, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
হোন্দুরাসনা মতম শাংনা টাইৱানগা লৈনরকখিবা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনরগা চাইনাগা ওইনা হৌনবী মতুং ইন্না দিপ্লোমেটিক মরী থম্নখ্রে হায়না মেদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।



রিপোর্টশিং অদুগী মতুং ইন্না খোঙথাং অসিগা লোয়ননা হোন্দুরাস অমসুং টাইৱানগী মরক্তা মতম শাংনা লৈরকখিবা মরী তৎনখ্রে অমদি মদুনা মশানা লৈঙাকচবা অমসুং মালেম পুম্বনা শকখঙহন্নবা হোৎনবদা অৱাবা অমা ওইরিবা দেমোক্রেটিক ঈথৎ অসিবু ইনৌ নৌনা চৈথেং অমসু নঙহল্লে।

হোন্দুরাসকী ফোরেন এফিয়র্স মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়রি, মদুদি রিপব্লিক ওফ হোন্দুরাসকী গভর্ণমেন্টনা মালেম অসিদা চাইনা অমখক লৈ হায়বসি রিককনাইজ তৌবগা লোয়ননা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাগী গভর্ণমেন্টনা চাইনা অপুম্বা রিপ্রজেন্ট তৌই হায়না লৌই। টাইৱান অসি চাইনিজ টেরিটরিগী তৎন থানবা য়াদ্রবা শরুক্নি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হোন্দুরাসকী গভর্ণমেন্টনা টাইৱানদা হান্না থম্নরকপা দিপ্লোমেটিক মরী অদু তৎনরে হায়বসি খঙহনখ্রে।

টাইৱানবু চাইনাগী তৎন থানবা য়াদ্রবা শরুক অমনি হায়না লৌরিবা বৈজিংনা ঈথৎ অসিবু অমুক্তা লৈঙাকখিদ্রিবা ওইরবসু টাইৱানবু শকখঙলিবা লৈবাক অমত্তদা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নদনা লাক্লিবনি।

চাইনানা হৌখিবা চহী ৪০গী অয়াম্বা শরুক মশানা লৈঙাকচবা ঈথৎ অসিবু দিপ্লোমেটিক মরীশিং থদৎলগা মালেমদগী নাইতোম তাহন্নবা হোৎনবদা শীজিন্নখি। চাইনানা ঈথৎ অসিবু মালেমগী মফম কয়াদা লৈরিবা লৈবাকশিংগা দিপ্লোমেটিক মরী তৎনহন্নবা হোৎনবদা লৈবাকশিং অদুদা শেল থুমগী মতেং কয়া ওফর তৌদুনা লাক্লিবনি।

সি এন এনগী রিপোর্টনা হায়রি, মদুদি হোন্দুরাস অসি বৈজিংগী মায়োক্তা টাইৱানগা মখা তানা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নবা মালেমগী লৈবাক ১৪ গী মনুংদা অমা ওইনা লাক্লিবনি। হোন্দুরাসনা ৱাফম অসি লাউথোকখ্রবা মতুং টাইৱাননা নাকল অনীগী মরী হৌনবী মতুং ইন্না তৎনরে হায়বসি কনফার্ম তৌখ্রে।

প্রেস কনফরেন্স অমদা টাইৱানিস ফোরেন মিনিষ্টর জোসেফ ৱুনা হায়খি, মদুদি নেসনেল সোভরেন্টি অমসুং দিগ্নিটি মেন্টেইন তৌননবা ঐখোয়না খুদক্তা হোন্দুরাসকা দিপ্লোমেটিক মরী তৎননবা অমদি বাই লেটরেল কোর্পোরেসনগী থৌরাং পুম্নমক সস্পেন্দ তৌননবা লেপ্লে।

# সিরিয়াগী বেজশিংদা চথ্থরকপা এটেকশিং খুদক্তা রেস্পোন্দ তৌগনি হায়না ইরাননা লাউথোকখ্রে

টেহরান, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
সিরিয়ন গভর্ণমেন্টনা হায়জর-কপদগী লৈবাক অসিগী টেরিটরিদা টেরোরিজম থেংননবগীদমক্তা লিংখৎখিবা বেজশিংদা এটেক চথ্থরক্লবদি খুদক্তা লমন খুম্বগী খোঙথাং লৌখত্তুনা ইরাননা পাউখুম পীগনি হায়না ইরানিয়ন স্পোক্সমেন অমনা ফোঙদোকখ্রে।



ইরানগী সুপ্রিম নেসনেল সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী স্পোক্সমেন কেবান খোসরাবিনা ৱার্নিং অসি হন্দক্তা যুএসকী ওফিসল খরনা ইরানবু টেহরাননা সিরিয়াদা লৈরিবা যুএসকী ইল্লিগেল বেজশিংনি হায়খ্রবা মফমশিংদা চথ্থিবা এটেকশিংদা চেন্নে হায়না মরাল শীখিবগী পাউখুম ওইনা পীখিবনি।

স্পোক্সমেন অসিনা হায়খি, মদুদি যুএসনা অরানবা মরাল কয়া শীজিন্দুনা মখোয়না মিলিটরি ফোর্সশিংগীদমক্তা সিরিয়ন টেরিটরি ইল্লিগেল ওইনা পায়শিনবগা মরী লৈননা লাক্কদবা পামদবা খোঙথাং কয়াদগী নাম্থোক্লবগীদমক অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি চথ্থরিবনি।

খোসরাবিনা হায়খি, মদুদি ৱাশিংতন্না অরানবা ৱাফম কয়া শন্দাক্তুনা ওক্যুপাইদ তৌরিবা লৈবাকশিং অদুগা অমেরিকন ফোর্সশিংগা খুৎ থোক্নরিবনি হায়না অতে লৈবাকশিংদা হায়বা য়ারোই। ইরাননা অমাঙ অতা অমদি মীশি মীনা কয়া মায়োক্লদুনা টেরোরিজম থেংনবগা লোয়ননা সিরিয়াদা তুং কোইগদবা সেক্যুরিটি মেন্টেইন তৌনবা হোৎনদুনা লাক্লি। সিরিয়াগী তং তাবগী ফিভমদা অকায়বা থোকহনগদবা খোঙথাং খুদিংমক টেহরাননা মায়োক্লবগা লোয়ননা থেংনগনি।

ইরাননা হায়রি, মদুদি লৈবাক অসিনা সিরিয়াদা এদভাইজরিগী থৌদাং লৌবগা লোয়ননা দমাস্কসনা হায়জরকপদগী সিরিয়াদা ইরানিয়ন ফেসিলিটিশিং অদু থম্লকপনি। হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী নুংথিলদা সিরিয়াদা লৈবা অমেরিকন বেজ অমদা দ্রোন ষ্ট্রাইক অমা চথ্থিবা মতুং পুং খরা কান্নরগা যুএস মিলিটরিনা নোর্থ ইষ্টর্ন সিরিয়াগী ইরানিয়ন ফেসিলিটি অমদা এয়র ষ্ট্রাইক চথ্থিবনি। শগোলশেল নুমিৎকী দ্রোন ষ্ট্রাইক অদুদা যুএসকী কন্ট্রেক্টর অমা শিখি অমসুং সর্ভিসমেন মঙা অমদি অতোপ্পা কন্ট্রেক্টর অমা অশোক অপন নঙখি।

যুএস দিফেন্স সেক্রেটরি লোইদ ওষ্টিননা মতুং তাবদা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইরানগী ইস্লামিক রিভোল্যূসন গার্দস কোরগা মরী লৈনবা গ্রুপশিংনা শীজিন্নবা ইষ্টর্ন সিরিয়াদা লৈবা ফেসিলিটিশিংদা টার্গেট তৌদুনা প্রিসিজন এয়র ষ্ট্রাইকশিং চথ্থখি হায়রি।

# ৱেষ্ট বেঙ্কতা গাড়ী তোংবশিংনা নোংমৈ কাপশিনবদা ইজরেল্লি লান্মী অনী শোক্লে

জেরুসালেম, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
ৱেষ্ট বেঙ্কতা গাড়ী মনুংদগী নোংমৈ কাপ্তুনা চথ্থিবা এটেকতা ইজরেল্লি লান্মী অনী শোক্লে হায়না ইজরেল্লি মিলিটরিনা লাউথোকখ্রে।

নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুদা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা ইজরেল্লি-পলেষ্টিনিয়ন কনফ্লিক্টকী মরু ওইবা ইরাং হৌফম অমা ওইরকখিবা হুৱারা ভিলেজতা থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকখিবনি।

ইজরেল দিফেন্স ফোর্স (আই দি এফ) না ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকখিবা মতুং ইন্না গাড়ী মনুংদগী চথ্থরকখিবা এটেক অদুদা লান্মী অমদি ফিভম লুনা শোকখি অমসুং অতোপ্পা লান্মী অদুনা ময়াই ওইরপ ওইনা শোকখি। মখোয় অনীমক সেন্ট্রেল ইজরেলদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা ফোঙদোকখিবদা এটেক অদুদা চেন্নবশিং অদু ফাননবগীদমক নোর্দন ৱেষ্ট বেঙ্কতা রোদ ব্লোকশিং শেমগৎখি। এটেক অদুবু পলেষ্টিনিয়ন মিলিটেন্ট ওর্গনাইজেসন অমত্তনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি হায়রি।

ইজরেল্লিশিং অমসুং পলে-ষ্টিনিয়নশিংগী মরক্তা লেপ্তুনা উংখৎনবা লৈরিঙৈদা খ্বাইদগী নৌবা নোংমৈগী এটেক্কী থৌদোক অদু থোরক্লিবনি।

নাকল অনীমক্কী ওফিসল ফিগরশিংগী মতুং ইন্না চহী অসি হৌবদগী হৌজিক ফাওবদা পলেষ্টিনিয়ন ৯০ রোম অমসুং ইজরেল্লি ১৫ রোম শিখ্রে। এটেকশিং অদুগী পাউখুম ওইনা ইজরেল্লি মিলিটরিনা ৱেষ্ট বেঙ্কতা থোমজিনখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী ফিক্সনসু হেনগৎলকখি।

ইজরেল্লি মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না হায়রি, মদুদি থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা দিফেন্স মিনিষ্টর য়োব গালেননা সেনিয়র মিলিটরি কম্মান্দরশিংগা সেক্যুরিটিগী মতাংদা খন্ন-নৈনগনি। নাকল অনীগী মরক্তা লেপ্তুনা উংখৎনবনা থোকহল্লিবা মীশি মীনাশিংগী মতাংদসু মখোয়গা খন্নগনি। নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু মুস্লিমশিংগী শেংলবা থা রামজান মনুংদা থোক্লক্লিবনি।

# ‘পাকিস্তানদা পোলিটিকেলগী মুক্নবা লৈরিবা অসিনা মার্সিএল লো লাকহনবা য়াই’

লাহোর, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
পাকিস্তান দিমোক্রেটিক মুভমেন্ট (পি দি এম) অমসুং পাকিস্তান টেহরিক-ই-ইনসাফ (পি টি আই) গী মরক্তা লেপ্তুনা মুক্নবগী ফিভম লৈরিবা অসিনা লৈবাক অসিদা মার্সিএল লো ইম্পোজ তৌরক্লবগী মরম ওইবা য়াই হায়না পাকিস্তান জমাদ-ই-ইস্লামিক (জে আই) গী চীফ সিরাজ উল হক্না ফোঙদোকখ্রে।



জে আইগী চীফ অসিনা মেদিয়াদা ৱা ঙাঙবদা হায়খি, মদুদি হৌজিক লৈরিবা পি দি এম গভর্ণমেন্ট অসি লৈবাক অসিদা পোৎলুম অমা হায়বদু ওইরে। লৈবাক শীন থুংনা মীখল পাঙথোক্লবা প্রপোজ তৌবগা লোয়ননা সিরাজনা গভর্ণমেন্টবু প্রোটেষ্টশিং নমথনবা হোৎনৈ হায়রদুনা চৈ থাংখি অমদি ইংনা চিক্না দিমোন্সট্রেসনশিং পাঙথোকপা হায়বসি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী কন্সটিট্যুস্নেল রাইটনি হায়খি।

এক্সপ্রেস ট্রিব্যুননা সিরাজকী ৱারোল পল্লদুনা হায়রি, মদুদি গভর্ণমেন্ট অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিস্তান (ই সি পি) না মীখলদগী নাম্থোক্লবা হোৎনদুনা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দরশিং অমসুং কন্সটিট্যুসনবু ভাইওলেট তৌরি।

ক্যের টেক্কর পঞ্জাব প্রোভিন্সিএল গভর্ণমেন্ট অসি পি দি এমগী শরুক অমনি হায়নসু সিরাজনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্টনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্টশিংদা যুম্ফম ওইরগা মখোয়না মতম শাংনা মীখল পাঙথোক্তনবা হোৎনরকপা য়াই হায়বগী থাজবা লৈ। মতাং অসিদা ঐহাক্না মরী লৈনবা পুম্নমক্তা অমদি লৈবাক অসিগী মীয়ামদা ময়েক শেংনা থম্মিংলিবা ৱাফমদি লৈবাক অসি দিমোক্রেটিক প্রোসেস অমগী খুথাংদা লৈরকখিবনি অমদি মসিনা মরম ওইরগা শুপ্পগী দিমোক্রেটিক এক্সনগী খুথাংদা লৈবাক অসি মখা তানা লৈহনবা য়াগনি। কন্সটিট্যুসনগী মায়োক্তা ওইবা খোঙথাং অমত্তনা লৈবাক অসিদা কান্নবা পুরক্লোই। ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্টগী থৌরাংশিংনা পামদবা ফত্তবা ফিভম কয়া লাকহনগনি হায়না ৱার্নিং তৌরদুনা লৈবাক্কী কন্সটিট্যুসনগী চাং তাহনগদবা কাঙবুশিংগী থৌওংশিং মহাক্না মখা তানা অথিংবা পীগনি হায়না সিরাজনা লাউথোকখি।

রুল্লিং এল্লায়ন্সকী থৌওংশিংগী মতাংদা পল্লদুনা জে আইগী চীফনা হায়,পি পি পি অমসুং পি এম এল-এন য়াওনা মান্নবা পার্টিশিংনা পৱার পায়দ্রিঙৈগী মমাঙদা ইনফ্লেসনগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখি।

# প্রোফেট মুহামদপু থৌওই উশিত্তবগীদমক পাকিস্তানগী নুপা অমা শিবগী চৈরাক পীখ্রে




ইস্লামাবাদ, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
ৱাটচ এপ গ্রুপ অমদা ইস্লাম অমসুং প্রোফেট মুহামদপু করেম কথাইনবা ৱাফমশিং থাগৎখিবনি হায়বা পাকিস্তানগী মুস্লিম নুপা অমা শিবগী চৈরাক পীখ্রে। মহাক ইরাই নুমিত্তা পেসৱারগী কোর্ট অমনা প্রিভেন্সন ওফ ইলেক্ট্রোনিক ক্রাইমস এক্ট অমসুং এন্টি-টেররিষ্ট এক্টকী মখাদা কনভিক্ট তৌখি।

সায়েদ মুহামদ জিসন কৌবা কনভিক্ট অদু পাকিস্তানদা য়াম্না সেন্সিটিব ওইবা ইস্যু অমা ওইরিবা ব্লাসফেমিগা মরী লৈননা কোর্টনা পীখিবা কনভিক্সন ওর্দর অদুগী মায়োক্তা আপিল তৌবা য়াবগী রাইট লৈ হায়রি।

এজেন্সিনা কোপি অমা ফঙখিবা কোর্টকী ওর্দর অদুনা হায়রিবদি সায়েদ জকৌলাগী কষ্টদিদা লৈরিবা মচানুপা একুজ সায়েদ মোহমদ জিসন মরাল লৈরম্বা থেংনবদগী কনভিক্ট তৌবগা লোয়ননা মরালগী মতুং ইন্না শিবগী চৈরাক পীরে।

লৈবাক অসিগী অৱাং নোংচুপ থংবা সিটি মার্দনদা লৈবা মীওই অমা ওইরিবা জিসন লুপা মিলিয়ন ১.২ (দোল্লর ৪,৩০০) সু ফাইন তৌবগা লোয়ননা পুন্না চহী ২৩ গী ফাদোকসু পীখি।

মহাক্কী কাউন্সেলনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা পঞ্জাব প্রোভিন্সকী টলাগাংদা লৈবা মোহমদ সয়িদ কৌবা মীওই অমনা চহী অনীগী মমাঙদা ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এফ আই এ) দা এপ্লিকেসন অমা ফাইল তৌদুনা জিসনবু ৱাটচ এপ গ্রুপ অমদা ইস্লাম অমদি প্রোফেট মোহমদপু থৌওই উশিৎতবা কন্টেন্ট থাগৎখি হায়না মরাল শীখি।

এফ আই এনা জিসনগী সেল ফোন লৌশিনখি অমসুং ফোরেন্সিক একজামিনেসনদা মহাক মরাল লৈ হায়বসি প্রুফ তৌখি হায়না কাউন্সেলনা ফোঙদোকখি।

নেসনেল কম্মিসন ওফ জষ্টিস এন্দ পিছ হায়বা পাকিস্তানগী হ্যুমেন রাইটস অমসুং লিগেল এইদ গ্রুপ অসিগী মতুং ইন্না হৌখিবা চহী ২০ গী মতমদা পাকিস্তানদা মুস্লিম ৭৭৪ অমসুং তোঙান তোঙানবা মাইনোরিটি লাইনিং লাইশোন গ্রুপশিংগী মেম্বর ৭৬০ ব্লাসফেমিগী মরাল শীখি।

# অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা আই এসকী ষ্ট্রেংথকী মতাংদা ৱাশিংতনন্না তৌরিবা ক্লেম য়াখিদ্রে

কাবুল, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
অফঘানিষ্টানদা দেইস নত্রগা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) কী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎলক্লি হায়বা ৱাশিংতনগী ক্লেম শেমজিন শাজিনবনি হায়রদুনা টালিবাননা লুচিংবা লৈবাক অসিগী ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্টনা য়াখিদ্রে।



অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা আই এস মিলিটেন্টশিংগী মশিংগী মতাংদা যুএস ওফিসলশিংনা থাদোরক্লিবা ষ্টেটমেন্টশিং চুমদে। দেইসকী মিলিটেন্টশিং মশিং য়াম্না হন্থরকখিবগা লোয়ননা মখোয় নীংথিনা নমথবগী ফিভমদা লৈরবনি হায়না অফঘান ক্যের টেক্কর এদমিনিষ্ট্রেসনগী চীফ স্পোক্সমেন জাবিহুল্লা মুজাহিদনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা ফোঙদোকখি।

মেদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না যুএস সেন্ট্রেল কম্মান্দগী চীফ জেনরেল মাইকেল কুরিলানা হায়খি, মদুদি অফঘানিষ্টানদা হৌজিক আই এসকী মপাঙ্গল হেন্না কনখৎলক্লে। ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মহাক্না থা তরুক্কী মনুংদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা যুএস অমদি মীচং লৈবাকশিংগী ইন্টরেষ্টশিংদা আই এসনা এটেক চথ্থরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখি।

অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা আই এসকী ষ্ট্রেংথকী মতাংদা যুএসকী জেনরেল অদুনা পল্লিবা যুম্ফম য়াওদবা ৱাফমশিং অদুবু রিজেক্ট তৌরদুনা মুজাহিদনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টদা হায়খি, মদুদি হিরম অসিগী মতাংদা যুএস ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অসিনা আই এস মিলিটেন্টশিংবু হেন্না ইনোৎ হাপ্লে। অদুনা ৱাশিংতনগী থৌওং অসি খুদক্তা লেপকদবনি।

দেইস নত্রগা আই এস গ্রুপ্পু অচৌবা থ্রেট অমনি হায়না লৌদনা লাক্লিবা অফঘান ক্যের টেক্কর গভর্ণমেন্টনা লানগী চৈথেং নঙলক্লবা লৈবাক অদুদা মথি ফোঙলক্লিবা খুৎলায় পায়বা ওপোনেন্টশিং শোয়দনা লাকশিনগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

হৌখিবা চয়োল অসিদা কাবুলগী চিদাই ওইবা মফমশিংদা চথ্থিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসন অনীদা অফঘান সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা রাইবেল আই এস গ্রুপতা এফিলিয়েট তৌবা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্ট মরি হাৎখিবনি।

# পুটিন অমসুং ইর্দোগাননা রসিয়ন-টর্কিজ পার্টনরশিপকী ৱাফম খন্নখ্রে

মোস্কো, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা টর্কিজ প্রসিদেন্ট রিসেপ টায়িব ইর্দোগানগা ফোনদা ৱারী শান্নদুনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা রসিয়া অমসুং টর্কিনা পার্টনরশিপ শেম্বগা মরী লৈনবা টোপিকশিং খন্নখ্রে।



হিরম অসিগা মরী লৈননা ষ্টেটমেন্ট অমদা ক্রেমলিননা হায়রি, মদুদি থাংজ নুমিত্তা নাকল অনীনা ট্রেদ অমসুং ইকনোমিক মরিগী পোজিটিব ওইবা খোঙথাংশিং, গ্যাস সপ্লাইশিং অমসুং টর্কিদা অকুইয়ু ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট শেমগৎ শাগৎপা য়াওনা জোইন্ট ষ্ট্রেটেজিক পৱার ইঞ্জিনিয়ারিং প্রোজেক্টশিং মায় পাক্না ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মতাংদা অপেনবা ফোঙদোক্লখি।

টর্কিদা থোকখিবা শাথিরবা যুহাশিংগী মতুংদা লাকপা অরুবা ফিভমশিং লাকহৎনবা হোৎনবদা রসিয়ানা মতেং পাঙলকখিবা অদুবু ইর্দোগাননা থাগৎপা ফোঙদোকখি। লোয়ননা প্রসিদেন্ট অনীনা যুহাশিং অদুনা মাঙহন তাকহনখ্রবা ইনফ্রা ষ্ট্রকচরশিং অমসুং রেসিদেন্সিএল বিল্ডিংশিং নৌনা শেমগৎ শাগৎনবা রসিয়াদগী কন্সট্রক্সন মেটরিএলশিং দেলিভরি তৌনবা মখা তানা থবক তৌমিন্নবগী ৱাফম য়ানখি।

যুক্রেনগী হৱাই চেঙৱাইশিং ব্লেক সীগী পোর্টশিংদগী মখা তানা এক্সপোর্ট তৌবা য়ানবা অমসুং রসিয়াগী চিঞ্জাক্কী আইটেমশিং অমসুং ফর্টিলাইজরশিং এক্সপোর্ট তৌবদা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোক্লবগী দিল য়াওবা ইষ্টানবুল এগ্রিমেন্টশিং নুমিৎ ৬০ নি শাংদোকপগী মতাংদা রসিয়ানা করম্বা মওংদা য়ারিবনো হায়বগী ৱাফম টর্কিজ লিদর ইর্দোগাননা রসিয়ন লিদর পুটিনগা খন্নখি।

ফোনদা ৱারী শান্নবা অদুদা টর্কিজ-সিরিয়ন মরি মখা তানা মহৌশাগী ফিভমদা লাকহন্নবা হোৎনবা অসি য়াম্না মরু ওই হায়বা ৱাফমসু মখোয়না য়ানখি। প্রোসেস অসিদা রসিয়ানা কন্সট্রক্টিব ওইবা মওংদা লৌখিবা ৱাতেন্বগী থৌদাংবু ৱারী শান্নবা অদুদা ইর্দোগানগী মায়কৈদগী থাগৎলকখি হায়না ক্রেমলিননা ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

# সোমালিয়াদা থা তরুক্কী মনুংদা অল-সবাব মিলিটেন্ট ৩০০০ হেন্না হাৎখ্রে

মোগাদিসু, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
সোমালিয়ানা হায়রি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা থা তরুক্কী মমাঙদা অল-সবাব টেরর গ্রুপকী মায়োক্তা মিলিটরি ওপরেসন অমা চথ্থবা হৌখিবদগী টেরর গ্রুপ অসিগী মিলিটেন্ট ৩০০০ হেন্না হাৎখ্রে অমসুং মিলিটেন্ট ৩৭০০ রোম অশোক অপন নঙখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসন, কলচর অমসুং টেরোরিজম্না হায়রি, মদুদি অল-সবাবনা কন্ত্রোল তৌরম্বা টাউন অমসুং ভিলেজ ৭০ সোমালি নেসনেল আর্মি (এস এন এ) গী ফোর্সশিংনা লোকেলশিংগী সপোর্টকা লোয়ননা লিভরেট তৌরে।

কেপিটেল মোগাদিসুদা ইস্যু তৌবা ষ্টেটমেন্ট অমদা মিনিষ্ট্রি অসিনা মখা তানা হায়রি, মদুদি গভর্ণমেন্টনা ইন্টরনেসনেল হ্যুমেনিটরিয়ন লো, হ্যুমেন রাইটস লো, ইস্লামিক লো অমসুং সোমালি কষ্টমরি রুলস ওফ ৱারফ্যের চেকশিন্না ইন্দুনা এস এন এবু হৌজিক্কী ওপরেসনশিং অদু পাঙথোকহল্লিবনি।

হৌখিবা চহীদা প্রসিদেন্ট হাসন সৈখ মোহামুদনা অল-সবাব গ্রুপকী মায়োক্তা অরৈবা পাঙ্গলশিং শীজিন্নদুনা লান চথ্থরগনি হায়না লাউথোকখিবদগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টেরর গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা এটেকশিং হেন্না কন্না চখ্থদুনা লাকখি।

সোমালি মীওইশিংদগী নমদুনা শেল লৌবা অমদি প্রোপেগন্দা শন্দাকপা অমসুং এক্সট্রিমিজম শন্দোকপা থিংননবা প্রসিদেন্ট মোহামুদনা অল-সবাব মিলিটেন্টশিং মখোয়গী ষ্ট্রোং হোল্ডশিংদগী তকথোক্লবগী মিলিটরি ওপরেসনশিং কনশিল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবনি।

# মিসিসিপিদা টোর্নেদোশিংনা শিহনখিবা মী মশিং ২৫ শুরে

ৱাশিংতন, মার্চ ২৬ (এজেন্সী):
যুএসকী মিসিসিপি ষ্টেটতা টোর্নেদোশিংনা মরম ওইদুনা শিখিবা মী মশিং ২৫ শুরে অমসুং অতৈ মীওই দজন কয়া অশোক অপন নঙলে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অকনবা নুংশিৎশিং অদু শিৎলকপনা মরম ওইদুনা মীশি মীনাশিং থোকখিবা ষ্টেট অসিগী মফমশিং অদুদি সর্কি, হম্ফ্রিজ, কেরোল অমসুং মোনরো কাউন্টিশিংনি হায়না মিসিসিপি ইমর্জেন্সি মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা হায়রি।

এজেন্সিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না ষ্টেট এজেন্সিশিং অমসুং পার্টনর কয়ানা খুৎশম্নদুনা টোর্নেদোশিং অদুগী রেস্পোন্স অমসুং রিকোভরিশিংদা মতেং পাঙলি। ইরাই নুমিৎকী অহিংদা মতিক ময়াই লৈরবা নোংলৈ নুংশিৎশিং টোর্নেদোদা মিসিসিপিনা শিৎচিল্লকখিবদা ষ্টেট অসিগী মশিং য়াম্লবা যুমশিং মাঙহন তাকহনখিবগা লোয়ননা রেসিদেন্সিএল অমদি বিজিনেসশিংদা পৱার সপ্লাই লেপহনখিবনি।